থম্মোয় পাউদম | হুইয়েন ইন্দু

# পূক্লিং, ৱাখল অমসুং লমচৎ - ১

‘পূক্লিং’ হায়বা মীতৈলোনগী ৱাহৈসি করম্না শেমখিবনো? ৱাহৈ অসি করিনো? মুন্না থিজিল্লুরবা, অরুবা ৱাহং অমনি, লায়না খুন্বা য়াদবা। পূক হায়বা ৱাহৈসিগা, নীংবা হায়বা ৱাহৈসিগা অনীসি পূনশিন্নরগা (সন্ধি তৌনরগা) শেমখিবা ৱাহৈ অমা শোয়দনমক্কী ওইগনি। অদুবু, লুরিবদি- ‘পূক’ হায়বা মীওইবগী হকচাংগী শরুক (ওর্গান) অসিগী মথৌ অমদি নত্তে, ‘নীংবা’ হায়বা থবক অসিদি। অনীসি করম্না ৱাহৈ অমত্তা ওইহনগনি? ‘নপূক্তা ৱা থমগনু’- হায়বা ৱাহায় অমসু হায়নরম্বনা, চুমদৌসু মাল্লকই। ঐহাক লোলগী এক্সপার্ট অমা নত্তবনা চপ-চাবা, অরেপ্পা ৱা অমা হায়বা ঙমজদ্রে। ইংরাজিদা ‘মাইন্দ’ হায়নবা, ‘পূক্লিং’ হায়বসি মীওইবসি মীওইবগী করম্বা হকচাং কয়াৎতা/কদায়দা লোৎতুনা লৈবগে? ঐহাক খঙদে। হায়বা ঙমদে। কোক/ব্রেনগী মচি অমদা লোৎতুনা লৈবজাৎলা? ‘ৱাখল’ হায়বা শকউদবা/শক্তাক’ঙমদবা অমসু কোক্তা লৈ খন্নবনা, মদুসু ওইফম থোক্তবরা খল্লুবনি। নৎত্রগা, পূক্লিং-ৱাখল অনীসি অমত্তা ওইবজাৎলা?

খঙদে, খঙবা ঙমদবা ৱাখলসিদা করম্না লম্মুক্লখিবনো! ‘পূক্লিং’ (মাইন্দ) হায়বসিগা ‘ৱাখল’ (থোত) হায়বসিগা অনীসি করম্না তোখায়বা ৱাহৈ অমমম ওইনা শেল্লল্লিবনো? খনফম খঙদ্রবা ৱাখলসিদা পাইশিল্লকখিবনি- ঙসি, ঙরাং ঐগী ইফমদা থোক্লরিবা থৌদোক-ৱাথোক ময়ামসিগী খল্লুবদা, মাঙদা তারিবা প্রোব্লেমশিংসিগী সোল্যুসন থিরুবদা। প্রোব্লেম অমা থোক্লবদি, সোল্যুসন অমসু লৈরমগনি। লৈফম থোকই। সোল্যুসনদু থিবদনি পূক্লিং অমসুং ৱাখলগী মথৌ লাক্লিবা। ওন্থোকপা মতৌ হায়’দুনি। সোল্যুসন ফংবই মহুত্তা- ঐগী পূক্লিংগী মতৌ অসি করিনো? হেন্না লম্মুক্লরক্লে।

দিক্সনারি’দা য়েংলুবদা হায়রম্মী- ‘মাইন্দ ইজ দ ফেকল্টি ওফ কন্সসনেস এন্দ থোত’। হায়বদি মীওইবগী হকচাং অমসুং হকচাংদুনা তৌরিবা থবকশিংদুগী শরুক অমা। কনাগুম্বা অমনা মহাক মশাবু ‘তাইবংপান অসি করিনো’ খঙজহন্নবা মচাক অমা মশাদা য়াওজরিবা শকউদবা পোৎশক অদুবু কৌই ‘পূক্লিং’... অসুম্না হায়বা তা’মাল্লে। অদুনদি, পূক্লিং হায়বসি হকচাংগী শরুক অমনি, হকচাং অসি লৈত্রবা, পূক্লিং-ৱাখল অনীমকসু মাঙখিনি। পূক্লিং-ৱাখল নুংঙাইনবা, লায়না-তীন্না চেন্দবা অফবা হকচাং-তঙায়ফদবা অমনি। মতৌ অসিগুম, হকচাং ফনা লৈনবা, ফত্তবা ৱাখল চেন্দবা সাউন্দ-মাইন্দসু তঙায়ফদে। অফবা হকচাং-অফবা ৱাখল, থানবা য়াদবা পুংবানি।

হকচাং ফনা লৈনবা অফবা চীঞ্জাক চাগনি, নারক-য়েল্লক তৌবদা হিদাক লাংথক তৌগনি হায়বদি-কাউদে কনামত্তনা। চাফম থোকপা চীঞ্জাক্তু চাফম থোকপা চাংদুদা মতম চানা চাবা ঙম্বা/ঙমদবগী মতুংইন্না, নঙ-ঐ-মহাক্কী হকচাং ফবই চাং লেপ্পী। অফবা, অহাওবা চীঞ্জাক্তু- নোংমদা পুল্লপ চাশিনবা, হুগী মশক ওইরকই। অকক্লবা চাংদুদা লেপ্তুনা চাবা ফংহনবদুনি হকচাং ফনবা কাঙলোনদি। চীঞ্জাক্কী মথক্তা ‘হকচাং শাজেল’- মোদর্ন এদ্যুকেসন ফংলবা, হেল্থ কন্সিয়স ওইরবা অনৌবা মতমগী মীওইবা মরকসিদা হকচাং ফনা, কুচু শেংনা লৈনবইদমক নোংমগী তৌফদ্রবা থৌদাং অমা ওইরক্লে। ফিজিকেল বোদি অসিবু ফজহন্নবগীদমক্তি ফজবা ফিজেৎ-লৈতেং, সনা লুপা থোল্লিবা... হকচাংবু নুংঙাইনা থম্নবইদমক্তি- ফজবা য়ুম শারিবা, অমোনবা ফমুংদা হীপ্পিবা, জীপ-কার তোংলিবা! অফবা চীঞ্জাক চারগা হকচাং ফনা লৈগনি হায়বদি খঙলগা, পূক্লিং-ৱাখল ফহন্নবা পূক্লিংবুদি অফবা চীঞ্জাক পীজগনি হায়বা খন্দে কনামত্তনা। শঙ্গোম পীরিবা ষনবীদা শজীক অফবা পীজরগা শঙ্গোম মরাং কায়বগুম, পূক্লিংবুসু অফবা ৱাখল শুংলক্লবা অফবা চীঞ্জাক পীবা তাই। মোর্দন লিদরশিপ গুরুশিংনা তোয়না শীজিন্নবা ‘ফুদ ফোর থোত’ হায়বদুনি।

ৱাখলগী চীঞ্জাক (ফুদ ফোর থোত)- ৱাহৈ অসি নীংশিংলুবদা ‘বেদান্ত’গী ৱা খল্লুদবা ঙল্লক্তে। হিন্দু সিভিলাইজেসনগী ৱারীদা ‘বেদগী মতম’ (বেদিক এজ)- মরুওইবা তাঙ্কক অমনি। মতমসিদা ইরম্বা লাইরিকশিংদুবুনি ‘বেদিক লিতরেচর’- হ্যুমেন সিভিলাইজেসন খ্বাইদগী ঙন্না (হান্না) ইরম্বা লিতরেচরগী পোত্থোক্তি খন্নরিবা। বেদ+অন্ত (বেদান্ত) হায়বদি ‘বেদগী অরোইবা’ হায়বনি। বেদিক-এজগী অরোইবা মতমদা ইরম্বা লাইরিক (উপনিষদ) শিংদুবুনি- ‘বেদান্ত’। বেদান্তগী লাইরিকশিং, পূক্লিং-ৱাখলগী থাক হেনগৎহনবগী পান্দম’দা ইরম্বা ঙাক্তনি। দিভেলপমেন্ট ওফ মাইন্দ হায়বসিদা শাগোন্ননা য়াওজরবা ঙাক্তনি- ফিজিকেল দিভেলপমেন্ট, ইন্টেল্লেকচ্যুঅল দিভেলপমেন্ট, মোরেল দিভেলপমেন্ট... পুন্নমকসিগী মথক্তা, ঐখোয়গী এস্থেটিক দিভেলপমেন্ট- ফজরোলগী ৱাখল হাপকৎলকপা। হিন্দুশিংগী শক্লাইবা স্পিরিচ্যুঅল গুরু অমনা হায়খি... ‘খ্বাইদই লৈহাও ফরবা লম... মীওইবগী পূক্লিং...কুইরে, নীংথিজনা খোইদোক্তুনা থল্লগা অফবা মহৈ-মরোং অমত্তা থাদনা পূমহাঙ হাঙনা থল্লক্লিবা... লৈহাও ফবা লমনিনা, কান্নবা-অফবা মহৈ-মরোং-মনা-মশীংদি হৌদনা লেপ-লেপমুক ৱাংলবা তিঙ্খং-তুম্বৌ ময়ামগী শুক্লবা মোংশোং ওইরক্লে’...। বেদান্তগী লাইরিকশিংদা হায়রম্মী... অৱাবা অমসুং নুংঙাইবা, অপঙবা অমসুং অশীংবা মতৌ, অকনবা অমসুং অশোনবা, থৌনা ফবা/পাঙদবা-পুন্নমক, পূক্লিংগী তোঙান তোঙানবা শক্লোন অমমমনি।

নোংমগী শোয়ফদ্রবা চাক চরা অনীদুগী মনুং চন্না ঐহাক ঙসি করি করি চাখ্রবগে হায়বদুনা ঐগী হকচাংগী ওইরক্কদবা শকওং লেপ্পগুম, নুমীৎসিমগী মনুংদা ঐগী ৱাখলগী চীঞ্জাক করি করি পীজখ্রবগে হায়বদুনা ঐগী ক্যারেক্তর (লমচৎ) শেল্লিবনি হায়বসি কাউগুমসি। কনাগা করি ৱারী শারুবা... করি ৱারী তারুবা, করি করি উরুবা, করি লাইরিক পারুবা... পুন্নমকসি ৱাখলগী চীঞ্জাক ঙাক্তনি। করি করি লৌশিল্লগা, করি করি হুন্দোকখিবা? মদুনা ওইরকই- থারিমখৈ হৌবা, লৈহাও ফরবা পূক্লিংগী লৌবুক্তা থাখিবা মরু। মরুদুনা ময়োন-চোং মরেপ-ফাবা পাম্বী অমা ওইরকপা- কুইনা চঙবা প্রোসেস নত্তে। লুরিবদি করম্বা মরু খনগৎতুনা থাখিবগে হায়বদুনি।

# সাইনস ইনফেক্সন (সাইনসাইটিস)

লৌশিং পুক্কে

## মসি করিনো, লাইওংশিংনা করিনো অমদি অতৈ অতৈ-৪




**সাইনস ইনফেক্সনশিং অসি তৌহন্দবা নৎত্রগা মসিদগী ঙাকথোকপা য়াবরা**

নাতোনদা ইরিটেট তৌহনবা পোৎলমশিংদগী লাপ্না লৈবা নৎত্রগা থেংনহন্দবনা সাইনসাইটিস তৌরকপা য়াবগী চাং হন্থহনবদা মতেং পাংবা ঙমই। মরুওইনা চুরুট থকপনা ইনফেক্সন মখল অসিনা তোয়না নাহনবা ঙমই। মৈখু থকপনা নাতোন, চীন, খৌনাউ অমসুং রেস্পিরেটরিগী সিষ্টেমদা য়াওবা মহৌশাগী ওইবা প্রোটেক্টিভ ইলিমেন্টশিংবুমাঙ তাকহল্লি।

মৈখু থকপা মীওইশিংনা থাদোক্লবা হোৎনগদবনি। মীওই অমনা মৈখু শীজিন্নবা তোক্লিংবগী অপাম্বা লৈরবা নৎত্রগা মদুগীদমক মতেং মথৌ তারবদি দোক্তরদা তানগদবনি। মৈখু শীজিন্নবা তোকপনা হয়েং তুংদা এক্যুট অমসুং ক্রোনিক সাইনসাইটিসকী তৌরকপা য়াবশিংদগী ঙাকথোকপদা মতেং পাংবা ঙম্বা য়াই।

ইশাগী সাইনসশিংবু ইরিট তৌবা নৎত্রগা খুৎতা পকপা ভাইরসশিং নৎত্রগা বেক্টিরিয়াশিংনা ইনফেক্ট তৌবদগী ঙাকথোক্লবগীদমক, মরুওইনা কোল্ড অমসুং ফ্লুগী সিজনশিংদা খুৎ তোয়না হামগদবনি। হেন্না ইংবা, অকংবা থাশিংদা হ্যুমিদিফায়র অমা শীজিন্নবনসু সাইনস ইনফেক্সনশিংদগী ঙাকথোকপদা মতেং পাংবা ঙম্বা য়াই।

এল্লর্জিশিংনা মরম ওইরগা সাইনসাইটিস তৌহনবা ওইরগদি দোক্তরদা তানগদবনি। করিগুম্বা পোৎশক অমদা এল্লর্জিক ওইদুনা লেপ্পা নাইদনা সাইনস সিম্পটমশিং মায়োক্লহল্লগদি, সাইনস ইনফেক্সন অদু ফহন্নবগীদমক এল্লর্জিশিং অদু হান্না লায়েংবা মথৌ তাবা য়াই।

ইশাদা এল্লর্জি থোকহল্লিবা মরম অদু খঙদোক্লবগীদমক এল্লর্জি স্পেসলিষ্ট অমগী মতেং মথৌ তাবা য়াই। ইশাগী এল্লর্জিশিং অদু কন্ট্রোল তৌদুনা থম্বনা হঞ্জিন হঞ্জিন্না সাইনসাইটিস তৌবা অদুদগী ঙাকথোকপদা মতেং পাংবা ঙম্বা য়াই।

সাইনসাইটিসকী সিম্পটমশিং অদু অতোপ্পা কন্দিসন অমনা তৌহনবা ওইরম্বা য়াবগী ওইথোকপসু লৈ। খুদম ওইনা হায়রবদা, গেষ্ট্রোইসোফেজিএল রিফ্লক্স দিজিজ (জি ঈ আর দি)না সাইনস ইনফেক্সনশিং থোকহনবা য়াই। অঙাংশিং অমসুং ইনখৎলক্লিবা নুপামচা-নুপীমচাশিংদদি এদিনোইদশিং চাউথোকপা হায়বসিসু মরম অমা ওইবা য়াই। মখোয়গীদমক অহানবা খোঙথাংদি জেনরেল প্রেক্টিস্নর, পিদিয়াট্রিসিয়ন, নৎত্রগা ঈ এন টি দোক্তর অমনা দাইগ্নোজ তৌবনা ওইগদবনি।

**সাইনস ইনফেক্সন লায়েংথোক্তনা থম্বগী খুদোংথীবশিং**

সাইনস ইনফেক্সনশিং অনম্বনা নুমিৎ ১০নিরোমগী মতুংদগী মশা মথন্তা ফগৎচবা হৌরকই। করিগুম্বা সিম্পটমশিং অদু ফগৎলকপা নাইদ্রবা নৎত্রগা হেঞ্জিল্লক্লগদি, ইনফেক্সন অদুবু থোকহল্লিবা মরম অদু দোক্তর অমনা লায়েংবা মথৌ তাবা য়াই।

সাইনস ইনফেক্সন অমনা ব্রেনগা নক্লনা লৈবা সাইনস কেভিটি অমদা এফেক্ট তৌরবদি, করিগুম্বা মদু লায়েংথোক্তনা থল্লবদি ব্রেনলোমদা শন্দোকখিবা য়াই। য়াম্না তাঙনা থোকপদি ওইরগা, সাইনস ইনফেক্সন অসি মীৎকী কোমদা শন্দোকখিদুনা ভিজনদা অহোংবা লাকপা অমসুং মীৎ তাঙবা থোকহনবা য়াই। অসিগুম্বা মখলগী ইনফেক্সনশিং অসি অঙাংশিংদনা হেন্না কম্মন ওই। তোয়না থোকপদি নৎত্রগসু, শাথিরবা ফঙ্গল সাইনস ইনফেক্সন অমনা, লায়েংথোক্তনা থল্লবদি শরুদা লানশীল্লকপা য়াই।

**অঙাংশিংদা সাইনস ইনফেক্সনশিং**

অঙাংশিংদা এল্লর্জিশিং তৌবা অমদি নাতোন অমসুং নাকোংদা ইনফেক্সন তৌগনবা হায়বসি কম্মন ওই। অঙাংদা মখাগী সিম্পটমশিং অসি লৈরগদি সাইনস ইনফেক্সন লৈরম্বা য়াই। মখোয়শিং অদুদি— নুমিৎ ৭নিদগী হেন্না শাংনা লাইহৌ য়াওরগা লোক থুংবা; মীৎপান অকোয়বদা পোমখৎপা; নাতোনদগী নঙ-নঙ লাউবা, মচু ওল্লবা নপ তাবা; পোষ্টনেটল ড্রিপ (মদুনা নীংশা মনম নমথীবা, লোক খুবা, ওনীংবা, নৎত্রগা ওবা তৌহনবা য়াই); কোক চীকপা; অমদি নাকোং চীকপা অসিনচিংবশিংনি।

অঙাংগীদমক করম্বা লায়েংনা খ্বাইদগী ফগদগে হায়বদু খঙদোক্লবা অঙাংগী দোক্তরদা য়েংথোক্কদবনি। নেসল স্প্রেশিং, সেলাইন স্প্রেশিং, অমসুং পেইন রিলিবরশিং অসি এক্যুট সাইনসাইকীদমক লোইনা ইফেক্টিভ ওই।

চহী ২গী মখাগী অঙাং ওইরবদি ওভর-দ-কাউন্টরগী লোক থুংবা অমসুং খুবগী হীদাকশিং নৎত্রগা দিকঞ্জেষ্টেন্টশিং থারোইদবনি। অঙাং অয়াম্বনা সাইনস ইনফেক্সন তৌবদা এন্টিবাইওটিক য়াওদনা মপুঙ ফানা ফগৎচরক্কনি। এন্টিবাইটিকশিং অসি ফিভম শাথিবা সাইনসাইটিস কেসশিংগী নৎত্রগা সাইনসাইটিসনা মরম ওইরগা অতোপ্পা কমপ্লিকেসনশিং লৈরবা অঙাংশিংদা শীজিন্নে।

আর্টিকল অসি রিলাইএবল সোর্সতা য়ুম্ফম ওইরগা ফোঙবনি, অদুবু মসিনা মেদিকেল প্রোফেসনেলশিংগী পাউতাককী মহুৎ শিন্নবা হোৎনবদি নত্তে

# কে কে এলনা কন্দেম তৌরক্লি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৭ (ঐচ এন এস): নাগালেন্দগী মোন দিষ্ট্রিক্টকী ওটিং ভিলেজদা থোকখিবা থৌদোক অমদা ইন্দিয়াগী লান্মীশিংনা মীচম কয়া হাৎখিবা থৌদোক অদু অকনবা মওংদা কন্দেম তৌই হায়না কংলৈপাক কনবা লূপ (কে কে এল) মণিপুরগী সেক্রেটরি জেনরেল ঙমখৈঙাকপা লুৱাংনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, থৌদোক অদুদা চেন্নরিবশিং অদু ৱার ক্রিমিনেলশিংনি হায়না লৌদুনা মখোয়গী মথক্তা খুদক্তগী ট্রাইয়েল চথুগদবনি। নাগালেন্দ ষ্টেট অসিদা ইনিদয়া লৈঙাক্কসু সিজ ফায়রগী এগ্রিমেন্ট তৌনদুনা লৈরি হায়রিবনি। অদুমকপু অফস্পা অসি চৎনদুনা লৈবনা মফম অসিদা অসিগুম্বা থৌদোক অসি চথুরকপনি। য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিট শাহনা খুদক্তা পার্লিয়ামেন্ট মীফমদা অফস্পা রিপিল তৌনবা খোঙথাং লৌখৎপীয়ু। মণিপুরীশিংনসু চহী কয়াগী মমাঙদগী অফস্পা অসি লৌথোকপীননবা ইন্দিয়া লৈঙাক্তা তকশিন্দুনা লাক্লিবনি। নোর্থ ইষ্ট ষ্টেটশিংদা লৈরিবা ইচিল-ইনাওশিংনা অমত্তা ওইনা চঙশিন্দুনা লমদম অসিদগী অফস্পা অসি মরু ফংনা লৌথোকখিনবা হোৎনমিন্নবগী তঙাইফদবা মতম অদু লাক্লে। অমত্তা ওইনা অফস্পা ১৯৫৮ অসি থেংনমিন্নরসি হায়নসু চেরোলদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

# লাইরিক ফোঙগনি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৭ (ঐচ এন এস): রাইটর্স য়ুনিয়ন ইম্ফালনা শীন্দুনা লাক্লিবা দিসেম্বর ১১দা এম এম অহমদনা ইবা লাইরিক অনী ‘য়েকখ্রবা ময়ি’ ৱারীমচা অমসুং ‘পাঙল চনুরালক্তগী’ (শক্লাইরবা পাঙল নুপী খরগী ৱারী) মণিপুর হিন্দী পরিষদ ইম্ফালগী হোলদা ফোঙদোকচগনি হায়না রাইটর্স ফোরম ইম্ফালগী জেনরেল সেক্রেটরি এম এ হাশিমনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, থৌরম অসিদা সাহিত্য একাদেমী এৱার্দী অমদি নোভেলিষ্ট বি এম মাইস্নাম্বনা অথোইবা মীথুংলেন, দি কোলেজ ওফ আর্টসকী ফিলোজিফি দিপার্টমেন্টকী রিটায়র্দ ঐচ ও দি ডা. কে ঐচ গোকুলচন্দ্রনা অখন্নবা মীথুংলেন অমসুং রাইটর্স ফোরম ইম্ফালগী প্রসিদেন্ট ডা. সয়েদ অহমদনা থৌরম মপু ওইবীগনি। নুমীৎ অমসুং পুংফম অসিমক্তদা মণিপুরী লিটরেরি এসোসিএসন (মালা) জি রিনসু লাইরিক অনী অসি পি এন বি বিল্ডিং জিরিবামগী কনফরেন্স হোলদা মণিপুরী সোর্ট ষ্টোরি সোসাইটি ইনিদয়াগী প্রসিদেন্ট ইঙুদম বিনোদনা অথোইবা মীথুংলেন, মালাগী এদভাইজর ডা. চান্দম কোমোলনা থৌরম মপু, এ এম এম ৱাই এফকী এদভাইজর অব্দুল হমিদ অমসুং এম এস পি জিরিগী ভাইস প্রসিদেন্ট কে বাবাতোননা অখন্নবা মীথুংলেনশিং ওইদুনা ফোঙদোকপীগনি হায়রি।


# PANTHOIBI HOUSING FINANCE COMPANY LIMITED (PHFCL)

Regulated by Reserve Bank of India (RBI)
Tourangbam Leikai, Uripok, Imphal.

মীয়ামগীদমক নুংঙাইরবা পাউজেল

ইরমদম মণিপুর অসিগী প্রজা সেক্সন খুদিংমক্লা ঐখোয় পুন্নমক্কী অমত্তা ঙাইরবা Indigenous Public Limited Finance Company অমা ওইখ্রবা "Panthoibi Housing Finance Company Limited (PHFCL)" অসি করম্বা মখলগী "Financial Institution" অমা ওইখ্রবগে হায়বসিগী মতাংদা অসুক্কী মতিক কুপশিন্না মনুং হুঞ্জিন্না ময়েক শেংনা খঙমিন্নবগী তঙাইমক ফদ্রবা তাঞ্জা মতম অদুমক ঙসিদি চপ চানা ওইরে। কম্পেনি অসি হৌখিবা 7th September, 2005 তা তৌরাংবম লৈকায়, উরিপোক, ইম্ফালদা লিংখৎচখিবনি। ঙসিদি চহী ১৭কী খোঙচৎতা লাকচখ্রে। শাংলবা চহী ১৭কী খোঙচৎ অসিদা single negative remark অমত্তা লৈজদ্রিবা অসুক্কী মতিক clean ওইরবা অমসুং promising ওইরবা Financial Institution অমনি।

১) Panthoibi Housing Finance Company Limited (PHFCL) অসি ইরমদম মণিপুর খক্তংগীদা নত্তনা whole Entire North Eastern Region of India গী ওইনা Reserve Bank of India (RBI) না regulate তৌবা ইহান হানবা First Licence Holder Public Limited Housing Finance Company অমনি। Ministry of Finance, Department of Financial Services, Govt. of India নসু "Securitisation and Reconstruction of Financial Assets and Enforcement of Security Interest (SARFAESI) Act, 2002 গী মখাদা "Financial Institution" অমা ওইনা শক খঙখ্রবনি।

২) Panthoibi Housing Finance Company Limited (PHFCL) অমসুং Central Government অনীগী মরক্তা National Housing Bank (NHB) না Central Nodal Agency ওইদুনা 1st time, 2nd time অমসুং 3rd times MoU শিং মথংশিংনা সাইন তৌনদুনা হৌখিবা ২০১৫গী জুন থাদা কন্ত্রি অসিগী Honourable Prime Minister Shri Narendra Modiji না launch তৌবিখিবা মীয়ামগীদমক অসুক্কী মতিক কান্নখ্রবা স্কিম অমা ওইরিবা "Pradhan Mantri Awas Yojana - Credit Linked Subsidy Scheme (PMAY-CLSS), Housing for All by 2022 Mission" গী মখাদা Rs. 2.67 Lakhs ফাওবগী ফজখ্রবা Subsidy amount অমা য়াওরবা "Subsidised Home Loan" গী খুদোংচাবশিং ইরমদম অসিগী প্রজা মীয়ামদা ফংহন্দুনা লাকচরি। Semi Pucca অমসুং Pucca গী ওইবা মশীং য়ান্নবা য়ুমশিং কয়া অমা শাজখ্রে।

৩) Panthoibi Housing Finance Company Limited (PHFCL) অসি ঐখোয়গী country india খক নত্তনা অতৈ অতোপ্পা country শিংদসু expansion তৌবা য়ারবা International level গী থাক্তা লাকখ্রবা solid foundation ওইরবা অসুক্কী মতিক promising ওইরবা "Public Limited Finance Company" অমনি। ঙসিদি growth কী expansion গী মতম ওইরে। মরম অদুনা ইরমদম অসিগী প্রজা সেক্সন খুদিংমক্লা "Panthoibi Housing Finance Company Limited (PHFCL) অমসুং Sister Company" শিং অসিবু অমুক্কা হেন্না মুন্না শক খঙমিন্নদুনা Regular Home Loan, Subsidised Home Loan, Loan Against Property, Business Loan, Flat/Apartments অমসুং Investment Policy নচিংবা থমজরিবা খুদোংচাবশিং অমসুং Financial Facility শিং খুদিংমকশিং অসি লৌমিন্নদুনা হীরম খুদিংমক্তা ৱাত্ত-পাদবা, নুংঙাই-য়াইফবা, তংদু-লৈতাবা ইরমদম ইজাতি মণিপুর অমা ওইরক্লবগীদমক হোৎনমিন্নরসি হায়বগী ৱাখল্লোন অসি থমজরি।

**Thokchom Hemo Singh**
Chairman and Managing Director, Panthoibi Housing Finance Company Limited (PHFCL)
Tourangbam Leikai, Uripok, Imphal

HL-P/7324/1 to 30 Dec.


## হুইয়েন লানপাউ পব্লিক ওপিনিয়ন

# মীয়াম্না করি হায়রি, করি পাম্লি

### ইলেক্সন দ্যুটিদা শীজিন্নরিবা গাড়ি দ্রাইভরশিংবুসু ভোট থাদবগী রাইট ফংহন্নিংই



লিশাং শিংনা চৎথরক্লিবা হৌখিবা ইলেক্সনশিংদা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা ইলেক্সনগী দ্যুটিশিংগীদমক শীজিন্নরিবা গাড়ী দ্রাইভরশিং ঙসি ফাওবদা ভোট থাদবা ফংদনা লাক্লি। লাক্কদৌরিবা ইলেক্সন অসিদসু ইলেক্সন দ্যুটিশিংদা শীজিন্নগদৌরিবা গাড়ীগী দ্রাইভরশিং ভোট থাদবা অদুমক ফংলোইদৌরি। গাড়ী দ্রাইভরশিংগা চৎমিন্নরিবা প্রিসাইদিং ওফিসর অমদি অতৈ ওফিসলশিংগীদি মখোয়না পামজবা কেন্দিদেটশিংদা ভোট থাদবা য়াবগী রাইট চপ চানা পীবিরি। অদুবু ইলেক্সন দ্যুটিদা চাউনা থৌদাং লৌরিবা গাড়ী দ্রাইভরশিংগীদি ভোট থাদনবগীদমক ইলেক্সন কম্মিসননা থৌরাং পায়খৎপা লৈত্রি। গাড়ী দ্রাইভরশিং অসিনা ইলেক্সনদা চঙগদবা মেটরিএলশিং, ওফিসল ষ্টাফশিং অমদি সিক্যুরিটিনচিংবা মফম-মতম চানা পুদুনা চৎলিবনি। গাড়ী দ্রাইভরশিং, সেকেন্দ দ্রাইভর অমদি হেন্দিমেন কয়াদি ইলেক্সন পাঙথোক্লবগীদমক পোৎ-চৈশিং অমদি মথৌ তারিবা মীওই কয়াবু মফম অমদগী অমদা হোন্দোক-হোঞ্জিন অমদি পুথোক পুশিন তৌরিঙৈদা গাড়ী দ্রাইভরশিংনা মখোয়গী পামজবা কেন্দিদেটশিংদা অমদি মমল য়াম্লবা ভোটকী রাইট ফংদদুনা ঙসি ফাওবদা ভোট থাদবা ফংদনা লৈরি। মসিমক্লা মখোয় মশানা মশাশিংদা ঐখোয়সিবু ইন্দিয়াগী সিটিজন অমা নৎত্রবরা হায়বা ৱাহং ফাওবা হংজবা য়াওদবা নত্তে। মরম অদুনা মখোয়গী পীফম থোকপা ভোটিং রাইট অদু মরী লৈনবশিংনা ফংহনবীয়ু।

❐ টিঐচ বিরেন, নিংথৌখোং-১৪

### বি জে পিগী টিকেট তান্নরিবশিংগী মরক্তা টিকেট ফংদ্রবা কেন্দিদেটশিং করম্বা পার্টিনা ওক্কদৌরি!



কুমজা ২০২২গী অঙনবা শরুক্তা পাঙথোক্কনি হায়নরিবা মণিপুরগী ১২শুবা মীখল অসিগী হৌজিক্তগী হৌনা মফম মফম খূদিংদা নোংমা কাংদনা মীফম ফম্বা, খৎন-চৈনবা, হুন্নবগী থৌওং লেপ্পা লৈতনা চথুবা হৌরক্লি। এসেমব্লি ইলেক্সন অসি এ সী খুদিংমক্কী ওইনা মানা মানা পামজবা পোলিটিকেল পার্টিশিং খন্দুনা এ সী অমদা ইন্টেন্দিং কেন্দিদেট ওইনরি। বি জে পিগী ওইনদি এ সী অমদা ইন্টেন্দিং কেন্দিদেট ৬/৭ ফাওবা থোকপা য়াওনরি। পার্টিগী টিকেট ফংগদবা মীশক্তি এ সী অমদা মীওই অমখক্তনি। টিকেট লাউথোক্তিঙৈদদি মীপূম খুদিংমক পার্টিগী অমগী কেন্দিদেট ওইবা ঙাক্তনি। টিকেট লাউথোক্লবা মতুংদা খোইশাওনরবা ইন্টেন্দিং কেন্দিদেটশিংনা পার্টিগী ওফিসতা থোমজিন্নরক্তুনা চাইখাইবনচিংবা তৌরবা মতুংদা শাউনা থোক্নরকপা অদু তরাম্না ওক্কনবা ঙাইদুনা লৈবা পোলিটিকেল পার্টিশিংসু কোঙ্গাইনি। বোর্দ ওফ সেকেন্দরি এদ্যুকেসনগা লৌবা এগজামদদি ফেলবু ওইরবদি মথং চহীগী এগজাম থানবা ঙাইদুনা লৈনৈ। অদুবু টিকেট ফংহৌদবা ইন্টেন্দিং কেন্দিদেটশিংদি ফেল ওই হায়না লৌবা য়াদে। পার্টি অমদা টিকেট ফংদ্রবসু অতোপ্পা পার্টি অমদা চোংশিল্লগা টিকেট অদুম লৌবা য়াই নৎত্রগনা ইন্দিপেন্দেন্ট কেন্দিদেট অমা ওইনা মীখল থেংনবসু য়াই। মরম অসিনা কেন্দিদেটশিংনা নীংহন্নবা তৌবীদনা মানা মানা পামজবা পার্টি অদুদা মীরেপ ওইবীদুনা অমদি ৱর্করশিংদসু অফবা পাউতাক পীবিদুনা ফ্রী এন্দ ফ্যের ইলেক্সন অমা ওইনবা থৌদাং লৌহন্নিংই। লোয়ননা লাক্কদৌরিবা ইলেক্সন অসিদা মহৌশাগুম পাঙথোক্লখিবা মীখলশিংদা চঙখিবা অমদি থাদনখিবা শেলয়াম চঙহন্দনা ফিদম্লিংঙাই ওইবা ইলেক্সন অমা ওইনবা হোৎনমিন্নসি।

❐ য়ুমখাইবম লোকেন্দ্রো, মালোম তুলিয়াইমা

অদোমগী মরুওইবা ওপিনিয়ন ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ নৎত্রগা hueiyen_lanpao@rediffmail.com/hueiyen_lanpao@yahoo.co.in দা থাবিরকউ।

# ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ০৮।১২।২০২১ ইং, য়ুমশকৈশা;
পোইনুগী ৫ নি পানবা।

মেষ: হন্থবা লোয়ননু অমদি নাপলনা য়েক্লবনি কাওগনু। ইমুং মনুং অমদি মীয়ামগা পুন্না পাঙমিন্নবা থবক্তি চাওনা মায় পাক্কনি। শেন্দোং চাওনা ফংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নিংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

বৃষ: ঙাং-শকপা হৈবা, অরং-অরাক লৌবা কান্নবা অমদি লেঙদবা লন ফংবৈ নুংঙাইবা লৈ। চরাংনবা, খোয়রাং-খোয়শাওবা অমদি অনম তানবৈ মাঙজবদি লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- তপথৌ-ফিংগনু।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাংবা।

মিথুন: অহেনবা লৌশিং ফংদুনা পল্লম্বা থবক পাঙবা ঙমগনি, ইমুং মনুংগী ৱা ঙসিসু লুম্না লৌ অমদি অরানবনা মাঙওইনগনু। মীয়াম লোয়নদনবা হোৎনৌ।
লৈশা পাখংশিংগী- নিংবা মপা চাখিরোই।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

কর্কট: নিংবা শোয়দনা থুংগনি, অনিংবা অফবা থবক্তা খুৎচাও থাহৌরো অমদি পাউ নুংঙাইবসু তাগনি। নথক থোংবনদি চানবীবা ৱাৎলি অদুনা মনাক নক্লনু।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবা ফংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/য়াইঙং।

সিংহ: মরুপ মপাং কায়নদনবা ঈংথৌ, মদুনা য়াইফগনি। অঙম্বগা মরি ফত্তে। লাইবক ফবনা শেন্দোং তানবৈ থবক্তদি মায় পাক্কনি অমদি মীচঙ খোম্বা য়াগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- মায় পাক্কনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাংবা।

কন্যা: থৌনা লৈবনা য়াইফগদবা নুমিৎনি। নঙগী খঙলবা নক্লবা মীতমক লোয়নবা ফগনি। য়েক্লবনা মপাঙ্গল কল্লি অমদি চিন শোয়বনা লন ময়েং তাবা য়াই।
লৈশা পাখংশিংগী- য়াকা য়েংনা চৎলু।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/হিগোক।

তুলা: লান্দবনা মায় পাকচগনি, য়েৎনরম্বা থবক্তা ৱাখল তামিন্নবা য়ারগনি অমদি নচা-ননাই চাওখৎকনি। শকখঙদবা লোয়নবা অমদি ৱা য়াম্না ঙাংবা মাঙজগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- য়েৎনরুনু।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

বৃশ্চিক: লন চাওখৎপা, মীয়ামগা মরি হেন্না ফগৎপা অমদি হরাওবা ফংজগনি। অদুবু হুরানবনা হুন্দুনা ঙাংবা অনম তানবনা কোক শাবা লৈগনি-তপথৌ।
লৈশা পাখংশিংগী- মরি ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

ধনু: ইমুং মনুং ৱাতান্ননা থৌপাঙমিন্নবনা থৌরম পাঙবা হৈবা অমদি শেল-থুমগী লমদা মায় পাকচৌ হায়বা নুমিৎনি। নচা-ননাইদি কায়নগনি-শাওগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফবা ৱাৎলি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

মকর: ৱাখল নুংঙাই, নিংবা মপা-চাই, শেন্দোং চাওনা ফংগনি অমদি হৈশিংবনা নচাক-নরল চাওখৎকনি। মীংচৎ ফংবৈ নুংঙাই অদুবু হকচাংদি নুংঙাইতে।
লৈশা পাখংশিংগী- মায় পাক্কনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

কুম্ভ: লৌশিং ফুদোকপা ৱাগনি, মীয়ামগা মরি ফরোই-মরুপ থাজবা লুই অমদি ফংবা য়াবসু পনবা নুমিৎনি। অরিবা নথৌতমক পাঙউ, অরোনবা হায়দোক্কনু।
লৈশা পাখংশিংগী- হামু হামুনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/হিগোক।

মিন: মীকোক থোংবদি ৱাগনি অমদি পাইরক্কী লৌশিং ৱাৎকনি। অদুবু মীয়ামগা লৈনবা মরিদি হান্নদৈ ফগৎকনি, লাইবক ফবনা ওইজবসু থাজদনা ফংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা চানবী।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।